# কোংগ্রেসনা বি জে পিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতুনা রিকগ্নিসন কক্নবা ঈ সী আইদা ৱাকৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিৱালি অমদি রমজানগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমবু অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী লিগেল এন্দ হ্যুমেন রাইটস দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি কে সী মিট্রালনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে।




পাউমীশিংগা উনবদা মিট্রালনা হায়খি, বি জে পিগী সিম্বোল ৱিদ্রো তৌবগা লোয়ননা রিকগ্নিসন ককপা মথৌ তাই। ইলেক্সন কম্মিসননা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতুনা অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা দিৱালি অমদি রমজানগী মতাংদা কাঙলূপ নাইবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা রমজানদা মৈ লাকপা তারবদি দিৱালিদসু মৈ লাকহনবা মথৌ তাই। কুম্মৈ অনীগী মরক্তা খেন্নবা লৈহল্লোইদবনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা খুঙ্গংদা সিমিত্রি শেমগৎনবগীদমক লম পীবা তারবদি সীটিদসু ক্রিমেসন গ্রাউন্দ শেমগৎনবা লম পীফম থোকই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োলদা বি জে পিনা উত্তরখন্দদা অয়াবা য়াওদনা পব্লিক রেল্লি পাঙথোকখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি বি জে পিগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীনবা কোংগ্রেসনা ইলেক্সন কম্মিসনদা হায়জবা লৈখ্রবনি।

উত্তরখন্দ প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কিশোর উপধ্যায়না ইলেক্সন কম্মিসনদা অইবা চেরোল অমা থারদুনা হায়খি মদুদি, ফেব্রুৱারী ১০দা প্রাইম মিনিষ্টরনা অয়াবা য়াওদনা পাঙথোকখিবা মীখলগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবগী থৌওং অদু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ত থুগায়বনি হায়না লৌফম থোকই।

হৌখিবা জান্যুৱারী থাদনা কোংগ্রেসপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিনা হায়খি মদুদি, কোংগ্রেস পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পার্টি অসিগী খুবাক য়েকপা সিম্বোলবু লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনদুনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ত থুগায়রে। মরম অদুনা ইলেক্সন কম্মিসননা কোংগ্রেসকী খুবাক য়েকপা সিম্বোল ৱিদ্রো তৌফম থোকই।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেশ যাদবনা প্রাইম মিনিষ্টরবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা মীচম মীয়াম্বু অঙকপা ফংনা অৱাবা তাহনখিবগীদমক হন্দক পাঙথোক্লিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীয়াম্না শোয়দনা লমন খুন্নগনি।

মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা অখিলেশনা হায়খি, বি জে পিনা মীচম মীয়াম্বু মশাগী শেনফম একাউন্টতগী লৌথোক্লবা হোৎনবদা মতম শাংনা ক্যুদা লেপহন্দুনা অৱাবা মায়োক্নহনখি। হৌজিক্তি মীখলগী মতম লাক্লবনিনা বি জে পিগী মায়োক্তা মীয়াম্না পরেং শানা ক্যু লেপ্পা থেংনরগনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, উত্তর প্রদেশতা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা বি জে পিগী লুচিংবা খরদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরগনি।

কোংগ্রেসকী লিগেল এন্দ হ্যুমেন রাইটস দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি কে সী মিট্রালনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম কয়াদা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোকখি। কোর্টকী ৱায়েল শীংনরদুনা কাঙলূপ নাইবা পোলিটিক্স তৌখিবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসননা বি জে পিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, বি জে পি অমসুং অপনা দলগী এল্লাইন্সনা উত্তর প্রদেশতা মথংগী গভর্ণমেন্ট শোয়দনা শেন্নগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। অন্দৱাদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বি এস পিনা পার্টি অমা ওইবগী মায় ঙাক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরগনি।

# দি এম কেনা পালানিস্বামিগী থাজবগী ভোট শীংনরদুনা মদ্রাজ হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পালানিস্বামিনা ষ্টেট এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা মায় পাকখিবগী থৌওং অদু চৎনহনবীগনু হায়না দি এম কেনা ঙসি মদ্রাজ হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা মদ্রাজ হায় কোর্টনা হয়েং হিয়ারিং চথগদৌরি।



স্পিকরনা ওপোজিসন দি এম কেগী মেম্বরশিং হাউসতগী তান্থোকখিবগা লোয়ননা এ আই এ দি এম কেগী পালানিস্বামিনা এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা থাজবগী মোসন মায় পাকখিবনি।

চৈরকসিদা টামিল নাদুগী গভর্ণর বিদ্যাসাগর রাওনা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনখিবগী মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা খঙহল্লকখ্রে।

হাউসকী মীফমদা চরাংনবা থোকহল্লি হায়বগীদমক দি এম কেগী মেম্বরশিংবু স্পিকরনা তান্থোকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেস অমদি ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগ (আই য়ু এম এল)গী মেম্বরশিং হাউসতগী মপান থোকখ্রবা মতুংদা পালানিস্বামিনা থাজবগী ভোট মায় পাকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা দি এম কেগী রাজ্য সভা মেম্বর ত্রিচি শিবানা গভর্ণর উনদুনা থাজবগী ভোট মায় পাকখিবগী থৌওং অদু চৎনহনবীগনু হায়না ৱাকৎপা লৈখ্রে।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনসু গভর্ণর উনদুনা থাজবগী ভোট লৌখিবগী থৌওং অদু চৎনবা য়ারোই হায়না ৱাকৎখি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা পালানিস্বামিনা ভোট ১২২ ফংদুনা মায় পাকখিবনি। মেম্বর ১১ না মহাক্কী মায়োক্তা ভোট পীখি।

টামিল নাদু এসেমব্লিদা থাজবগী ভোট লৌবদা চরাংনবা থোকখ্রবা মতুংদা দি এম কেনা ফেব্রুৱারী ২২ দা ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা মেরিনা বিচতা লৈবা গান্ধীগী মীতম মনাক্তা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা পুলিসনা নমদুনা তান্থোরকখ্রবা মতুংদা ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনবগী ৱাফম লাউথোরকখিবনি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা টামিল নাদুগী গভর্ণর সী ঐচ বিদ্যাসাগর রাওগা উনদুনা ৱারী শানখি। দি এম কেগী হেদ ক্বার্টরসতা পার্টিগী এম এল এশিং ফম্মিন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা দি এম কেগী লুচিংবা টিরুচি শিবানা হায়খি মদুদি, চীফ মিনিষ্টরনা পুখৎলকখিবা কনফিদেন্স মোসন অদু চৎনবা য়ারোই। হীরম অসিগী মতাংদা ৱাকৎ চে অমা গভর্ণরদা পীশিনখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা গভর্ণরনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

এসেমব্লিদা ওপোজিসনগী মেম্বর অমত্তা য়াওদনা পাস তৌখিবা থাজবগী মোসন অদু চৎনবা য়ারোই হায়না গভর্ণরদা ৱাকৎখ্রে। অথুবা মতমদা গভর্ণরনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, এসেমব্লিদা পাঙথোকখিবা পাঙ্গল চাংয়েং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা মেরিনা বিচতা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ষ্টেলিন অমদি পার্টিগী অতৈ লুচিংবা খরা পুলিসনা ঙাইহাক ফাজিন্দুনা থমখিবনি। ষ্টেলিনগী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর অমসু রেজিষ্টর তৌখি।

এসেমব্লীদা চরাংনবা থোক্লকপদগী লেজিসলেচর ৮৯ তান্থোকখ্রবা মতুংদা এম এল এ ১২২ না শৌগৎতুনা পালানিস্বামিনা থাজবগী মোসন মায় পাকখি।

পালানিস্বামিগী মায়োক্তা লেপখিবা এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবা পনিরসেলবমনা ভোট ১১ ফংখি। দি এম কেগী লেজিসলেটর ৮৮ অমসুং আই য়ু এম এলগী এম এল এ অমা হাউসতগী তান্থোকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী এম এল এশিংসু হাউসতগী মপান থোকখিবা মরম্না থাজবগী ভোট লৌনবদা ওপোজিসন লেজিসলেটর অমত্তা য়াওখিদে। ওপোজিসন পার্টিশিং অমসুং ও পানিরসেলবমনা লুচিংবা এ আই এ দি এম কেগী রেবেল এম এল এশিংনা সিক্রেট বেলোট পাঙথোক্নবা তকশিল্লকখিবনি।

# চাইনা : ইন্দিয়ানা সেটলাইট ১০৪ পূল্লপ থাগৎখিবনা স্পেসকী লমজেল তান্নহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা হন্দক নোংমতদা সেটলাইট ১০৪ পূন্না থাগৎখিবগী থৌওং অদুনা স্পেসকী লমজেল তান্নহল্লগনি হায়না চাইনিজ মিদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা চাইনাগী ষ্টেটনা চল্লাইবা মিদিয়াগী রিপোর্টনা হায়খি, মায় পাকখ্রবা ইন্দিয়াগী থৌওং অদুগী মখা তারকপদা চাইনাসু রোক্কেট থাগৎপগী থৌওং খুমাঙ চাউশিনহন্নবা হোৎনরকপা য়াই।

সংহাই এঞ্জিনীয়ারিং সেন্টর ফোর মাইক্রোসেটলাইটকী দিরেক্টর ঝাং য়োংহেগী ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, সেটলাইট থাগৎপগী মতাংদা ইন্দিয়ানা চাইনাদগী খুমাঙ চাউশিনবা হেল্লে। শেল কা হেন্না চঙহন্দবা মওংদা সেটলাইট ১০৪ পূন্না থাগৎখিবা থৌওং অদুনা ইন্দিয়াসু মালেমগী মাঙজিল থাবা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লে হায়না লৌবা য়াই।

মার্স প্লানেটকী মতাংদা থিজিনবদসু ইন্দিয়ানা চাইনাদগী খুমাঙ চাউশিনবা হেল্লে হায়না পল্লদুনা ঝাংনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা ইন্দিয়ানা স্পেস ক্রাফট অমা মার্সকী ওর্বিটতা মায় পাক্না থাগৎপা ঙমখ্রবনি। চাইনাগী ওইনদি কুমজা ২০১২ দা পায়খৎখিবা মার্সকী মিসন মায় পাকপা ঙমখিদে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫ দা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না অন্ধ্রপ্রদেশকী শ্রীহরিকোটাদগী সেটলাইট ১০৪ পূন্না থাগৎতুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রবনি। অয়ুক পুং ৯.২৮ তবদা ছটিশধৱন স্পেস সেন্টরগী অহানবা লোঞ্চ পেদতগী সেটলাইট ১০৪ পুবা আই এস আর ওগী পোলর সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিক্ল (পি এস এল ভি-সী ৩৭) থাগৎখি।

পি এস এল ভিনা মিনিট ২৮ পাইখৎখ্রবা মতুংদা কার্টোসেট-২ সিরিজগী সেটলাইট অমা ওর্বিটতা থমখি। মিনিট ৩০ রোম কান্নরগা অতোপ্পা নেনো সেটলাইট ১০৩ মশা-মশাগী ওর্বিটতা থম্বা ঙমখি। মতম অমুক্তদা সেটলাইট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থাগৎপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

মিসন কন্ট্রোল সেন্টরদা সাইন্টিষ্ট-শিংনা হরাওবা ফোঙদোক্লিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী চ্যেরমেন এ এস কিরনকুমারনা সেটলাইট ১০৪ মক মশা-মশাগী ওর্বিটতা মফম চানা থম্বা ঙল্লে হায়না লাউথোরকখি।

মমাঙদা রসিয়ানা কুমজা ২০১৪ দা সেটলাইট ৩৭ পূন্না থাগৎখিবা অদুনা মতম অমুক্তদা সেটলাইট খ্বাইদগী য়াম্না থাগৎপগী থৌওং ওইখিবনি। কুমজা ২০১৩ দসু য়ু এসনা সেটলাইট ২৯ পূন্না থাগৎতুনা ওর্বিটতা থম্বা ঙমখি।

আই এস আর ওগী ওইনসু মমাঙ চহীগী জুনদা সেটলাইট ২৩ পূন্না থাগৎপা ঙমখ্রে।

সেটলাইট ১০৪ থাগৎপদা য়াওখিবা কার্টোসেট-২ সিরিজগী সেটলাইটনা ওর্বিটতা চহী ৫ লৈদুনা রোদ নেটৱার্ক মোনিটরিং, ৱাটর দিষ্ট্রিব্যুসন অমদি লেন্দ য়ুজ মেপকী মতাংদা মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া পীরক্কদৌরি।

মপান লৈবাক্কী সেটলাইট ১০১ সু কার্টোসেট-২ আর্থ ওবজার্ভেসন সেটলাইটকা লোয়ননা থাগৎমিন্নখি। হায়রিবা সেটলাইটশিং অদুগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৯৬ অমসুং ইজরেল, কজখষ্টান, নেদরলেন্দ, স্বিটজরলেন্দ অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী অমমম্ য়াওরি।

পি এস এল ভি-সী ৩৭ কী প্রোজেক্ট দিরেক্টর বি জয়াকুমারনা হায়খি মদুদি, সেটলাইট ১০৪ মক মশা-মশাগী ওর্বিটতা থম্বা ঙমখিবা হায়বসি আই এস আর ওগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মতম অমুক্তদা সেটলাইট ১০৪ রোক্কেট অমদা হাপ্লগা পূন্না থাগৎপা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। অদুবু থৌরাং অসি লৌখৎনবা হোৎনবদা শরুক য়ারিবা মীপুম খুদিংমক্না কন্না হোৎনবদগী মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# শুরহোজেলি লিজিটসুনা নাগালেন্দগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি



কোহিমা, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী): নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী লুচিংবা শুরহোজেলি লিজিটসুবু ঙসি দেমোক্রেটিক এল্লাইন্স ওফ নাগালেন্দগী অনৌবা লেজিসলেচর পার্টিগী লীদর খনখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

অর্বান লোকেল বোদিশিংগী মীখলদা নুপীগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌনবা থৌরাং লৌখৎলুবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ট্রাইবেল গ্রুপশিংনা অখনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা ঙরাং নুমিদাং ফম থাদোকখিবনি।

নাগালেন্দগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য সভাগী মেম্বর কে জি কেনয়েনা পাউমীশিংদা হায়খি, শুরহোজেলি লিজিটসুবু মোত অমত্তা ওইনা এন পি এফকী লেজিসলেচর পার্টি অমসুং গভর্ণমেন্টকী লীদর ওইনা খল্লে।

গভর্ণর পি বি অচারিয়ানা করিগুম্বা অরুনাচল প্রদেশকীদমক কোহিমা থাদোকখিদবা থোক্লবদি শুরহো-জেলিবু খুদক্তা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। অচারিয়ানা অহেনবা চার্জ ওইনা অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণরসু ওইরিবনি। গভর্ণরনা ঙরাং জেলিয়াং ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা থৌরাং অমা লৌখৎত্রিবা ফাওবা মখা তানা ফম অসি পায়নবা খঙহনখি।

ফেব্রুৱারী ১৫ দা লেজিসলেটর ৪৯গী মনুংদা ৪২ না শৌগৎতুনা শুরহোজেলিবু অনৌবা লেজিসলেটর পার্টিগী লীদর ওইনা খনখিবনি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা ট্রাইবেল গ্রুপশিংগা য়ানবা পুরক্নবগীদমক অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়রি।

নোরদর্ন অঙ্গামি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী নিপাল্লক হন্না মীখলদা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইরক্লবা শুরহোজেলিনা কুমজা ২০১৩গী মীখলদা মীরেপ ওইখিদে।

অর্বান লোকেল বোদিগী মীখলদা নুপীশিংগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌনবা থৌরাং লৌখৎলুবগীদমক মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী চয়োল অনীরোম নাগালেন্দদা গভর্ণমেন্টকী মেছিন্নরি অমত্তা থবক তৌবা ঙমদনা লাকখি।

জান্যুৱারী থাদা এন পি এফনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা নাগালেন্দগী টাউন ১২ দা লোকেল বোদিগী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলুবগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং নমথনবা হোৎনবদা মীওই অহুম শিবা লৈখ্রে।

টি আর জেলিয়াংনা ঙরাং নুমিদাং চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা লুচিংবা অমা খন্নবগীদমক এন পি এফনা ঙসি অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা শুরহোজেলিবু লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

# লুপা লাখ ২ হেনবগী জ্বেল্লরি লৈরবদি চাদা ১গী টেক্স লৌরগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী): এপ্রিল ১ দগী হৌনা কনাগুম্বনা লুপা লাখ ২ হেনবগী জ্বেল্লরি লৈবা তারবদি চাদা ১গী চাংদা টেক্স কলেক্টেদ এট ছোর্স (টি সী এস) লৌগদৌরি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি লুপা লাখ ৫ হেনবগী জ্বেল্লরি আইটেম লৈবা মতমদা হায়রিবা টেক্স অসি লৌবগী থৌওং চৎনরি।

ফাইনান্স বিল ২০১৭ পাস তৌরবা মতুংদা জ্বেল্লরিগী পোৎলমশিংসু জেনরেল আইটেমশিংগা মান্নবা মওংদা টেক্স লৌবগী থৌওং চৎনগদৌরি।

হন্দক্তা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেটতা লুপা লাখ ৩ হেনবগী শেনফম পুথোক্তুনা পোৎ-চৈ লৈবা য়াহন্দনবা থৌরাং য়াওখিবা মরম্না অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, ইনকম টেক্স এক্টকী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা লাখ ২ হেনবগী পোৎলম লৈবা তারবদি চাদা ১গী চাংদা টি সী এস লৌবা মথৌ তাবা মরম্না জ্বেল্লরিগী পোৎলম লৈবা তারবসু হায়রিবা টেক্স অসি চপ চানা লৌগনি। অনৌবা থৌরাং অসি এপ্রিল ১ দগী চৎনবা হৌনবা পান্দম থল্লি।

মমাঙদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১২গী জুলাই ১ দগী চৎনদুনা লাকখিবা থৌরাং অমগী মখাদা কনাগুম্বনা লুপা লাখ ৫ হেনবগী জ্বেল্লরি আইটেম লৈবা মতমদা টি সী এস চাদা ১ কক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক্তা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেটতা লুপা লাখ ২ দগী হেন্না পোৎ-চৈ লৈবদা হায়রিবা টেক্স লৌবগী থৌওং অসি চৎনগনি হায়বা ৱাফম য়াওখি।

ইনকম টেক্স এক্ট ১৯৬১ গী সেক্সন ২০৬ সীগী সবসেক্সন (১ দি)গী মতুংইন্না লুপা লাখ ২ হেনবগী পোৎলম লৈবা মতমদা লৈরিবা মীওই অদুদগী য়োল্লিবা মীওই অদুনা চাদা ১গী চাংদা টি সী এস কক্লগা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা পীগদবনি।


## /IMVEVOA দা খঙহঞ্জবা


The Imphal-Moreh Van Eeco Venture Owners Association, Manipur গী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি- চৎলিবা চহী ২০১৭ কী ওইবা টেক্সকী শেনফম অসি মমাংগী চহীদা থীরম্বা লুপা ১০,০০০/- দগী লুপা ৫০০০/- হেনগৎলগা লুপা ১৫,০০০/- ওইরিবসি লম্বীসিদা Passenger পুজরিবা গাড়ীশিংনা য়াবা ঙমজরোই। হীরমসিগী মতাংদা লাক্লিবা তাং ২৩/০২/২০১৭ ইং, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০:০০ দা Moirangkhom Moreh Parking দা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকচগনি। মসিদা এসোসিয়েসন অমদি মণিপুরগী অতৈ দিষ্ট্রিক্ট অমদি মফমদা খান্বীরিবা গাড়ীগী মীওইশিংসু শরুক য়াবীয়ু।

HL-P/0567/21 **Sd/- VAN AND EECO OWNERS**



## / ঈ তাবা, শৌজ নান্থবা, ফম্বী ৱাৎপা, চিকপা নাবা, খোঙ নামা ইফা ফাজিল্লগা চৎপা থোইনা ঙমদবা ফহনবগী ওজা জিয়া উলহকপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা য়াম্না কন্না নুংশঙনা নাদুনা য়াম্না চাউনা শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খুৎনা ইনখৎলগসু অমুক হনগৎলু য়াদবা, য়াম্না শাবা, নান্থবা শৌজ অদুনা মরম ওইদুনা চৎপদা য়াম্না ৱাবা, ফম্বা ঙমদবা, পুক্তা য়েকপা থিনবা তৌবা, পুক্তা গেষ্ট্রিক কাবা, শা-ঙা অমদি মোরোক চাবা য়াদবা, কোক ঙাওবা, কোক তোয়না চিকপা, ঙকশম মরি নাবা, য়াংলেন শরু অমদি খ্বাঙ নাবা, খোঙগী মপানদা চিকপা



হেনমনখিদুনা ইফা ফাজিন্দুনা চৎপা থোইনা ঙমদবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চংবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা তুমদবা তৌরম্বা অদু চহী ৬/৭ অতোপ্পা কবিরাজ অমদি দাক্তর কয়াদা লায়েংজরুরে ফবা ঙমদনা লৈরকখিবনি অদুবু ঙসি **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎**8414825323** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মপোকসিমগী কাউজরোই।


*লায়েংফম :* 1. Kekru Villa Minuthong Road, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai.

*থাগৎচরিবা :* **Meinam Rahena**
***CCPur Old Bazar***

HL-P/0144/12/02-13/03



## / গ্যাষ্ট্রিক ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা গ্যাষ্ট্রিক্না য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা, পুক নাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, খোঙ-খুৎ শিথবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, শ্বর ফুনবা, মসল নাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেমযুম** ☎ **৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong Bazar : 12.00 noon to 4.00 pm

*থাগৎচরিবা :* **R.K. Mochabi**
*Kongba*

HL-P/0555/17/02-23/03



## OFFICE OF THE DISTRICT ELECTION OFFICER: IMPHAL EAST DISTRICT

## NOTICE

Porompat, the 20th February, 2017

***No.DEO/DC(IE)/8/EVM/2017:*** In pursuance of para 12.3.7 of the handbook of the Returning Officer, 2014, it is hereby notified for information of all political parties functioning in Imphal East District that the First Randomization of EVMs in presence of General Observers will take place on **21.02.2017** at **3:00 pm** in the Panchayat Bhawan, Porompat, Imphal East.

All Returning Officers and duly authorized representatives of political parties are requested to be present for the same on time.

*Sd/-* **Ningthoujam Geoffrey**
District Election Officer, Imphal East

HL-B/3691/21



## BYS

Palace Compound (Macha Leima School)
# 9863284750/ 9856088990




**ADMISSION OPEN**

**CLASS - X FOUNDATION COURSE (BOSEM) EVENING BATCH STARTING ON MARCH 09, 2017. CLASS TIMING: 4.30PM to 7.30PM**

HL-B/3644/03/02-02/03

HL-B/3681/19/02-18/03 (Alt.)



## / লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্তচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্তচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্তচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**